# ইন্দিয়া য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইরগনি ঃ সুসমা স্বরাজ





*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৬ঃ*

ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন) সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুসমা স্বরাজনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিনা য়ু এনগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইরবা মতুং দদি ভিটো পৱার লৈরগনি। য়ু এনগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইরিবা লৈবাক ৪না ইন্দিয়াবু কাউন্সিল অদুগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইননবা শৌগৎলকখি।

ইন্দিয়াবু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইহন্নবা শৌগৎলকখিবা লৈবাক অদুদি য়ু এস, য়ু কে, ফ্রান্স অমসুং রসিয়ানি হায়রি।

অদুম ওইনমক চাইনানদি ইনিদয়াবু য়ু এনগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইবগী ৱাফম অদুগী মায়োক্তা লৈখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ু এনগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ৫ লৈ। মদুগী মনুংদা চাইনা য়াওরি। ইনিদয়া য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর অমা ওইরকপা য়াবগী থাজবা লৈরে হায়নসু এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুসমা স্বরাজনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এনগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইরবা মতুং ইন্দিয়ানা ভিটো পৱার লৈগদ্রা হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা সুসমা স্বরাজনা হায়, লৈবাক অসিনা চপ চাবা দাইত্ব লৌবা লোয়নন য়ু এনগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইনবা হোৎনখিবা লৈখি।

অনৌবা অমসুং অরিবা পার্মিনেন্ট মেম্বরশিংগী মরক্তা তোঙান-তোঙানবা খায়দোকপা পামদে। ইন্দিয়ানা দাইত্ব অমা লৌবগা লোয়নন পার্মিনেন্ট মেম্বর ওইরক্লবা মতুং চাওখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা পাল্লি।

লুচিংবী অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দিপ্লোমেটিক ওইবা থৌশিল কয়া পায়খৎখ্রবা মতুং সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী থবক থৌশিলশিং য়াওননবা হোৎনরি।

ইন্দিয়ানা নন পার্মিনেন্ট কাউন্সিলগী মেম্বরসু মখা তানা পার্মিনেন্ট ওইবা কাউন্সিল অদুদা য়াওহল্লকপা পাল্লি। সুসমা স্বরাজনা হায়, য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীগী ৬৯শুবা মীফমদা য়ান্নবা অমা পুরক্তুনা শাফবা ফিভম অমা ওইহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

# টর্কিগী লানগী প্লেনশিংনা কর্দিষ্ট মিলিসিয়াশিংগী মথক্তা ষ্ট্রাইক চখদুনা ৮ হাৎখ্রে



*অঙ্কারা, এপ্রিল ৬ঃ*

টর্কিস এফ-১৬ ফাইটর জেটশিংনা কর্দিষ্ট মিলিয়াসিনা খুৎলিংবা টর্কিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লান্দাবদা কর্দিষ্টান ৱার্কস পার্টি (পি কে কে)গী ফাইটর ৮ হাৎখ্রে হায়না প্রোভিন্সিয়েল গভর্নর ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

পি কে কে মিলিটেন্টশিংনসু টর্কি লান্মীশিংগী আউট পোষ্টশিংদা অকনবা মওংদা লান্দারকখি। ইরাক্কী ঙমখৈগা তাইননা লৈবা চীংগী লমদম কুকুরকাদা লৈবা মিলিটরি আউট পোষ্টশিংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়াসু থোকখি।

টর্কিস মিলিটরিনা লমদম অদুদা দ্রোন পায়শিন্দুনা মিলিসিয়াশিংগী লৈফম খঙদোকখি। মদুগী মতুংদা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং পায়শিন্দুনা এয়ার ষ্ট্রাইক চখখি হায়রি। খা নোংপোক থংবা শরুক্তা মিলিসিয়াশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা টর্কি লান্মী অমা অশোক অপন নংখি। মহাক খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

ইং ১৯৮৪দগী লৈবাক অদুদা লালহৌবগী ইরাং লাকখ্রবা মতুং মীওই লিশিং ৪০ রোমগী পুন্সি মাংখ্রে। টর্কি, য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা পি কে কে টেরোরিষ্টগী লৈফম খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়নন এয়ারষ্ট্রাইক কয়া চখরি।

ইং ২০১৫গী জুলাই থাদা সিজ ফাইয়র কায়খ্রবা মতুং লমদম অদুদা উংখৎনবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়নন হিংশাগী থৌদোক কয়া থোক্লি হায়রি।


## GAS TODAY

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......10/02/2017
Valid from ........... 24/01/2017
Stk .................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......06/01/2017
Valid from ........... 16/12/2016
Stk 14 kg ..........................576
19 kg ...............................24
Rate .............................. 884
Timing........8.00 to 10.30 a.m

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto .......22/02/2017
Sl. No. Upto 1500
Valid from ........... 15/02/2017
Stk .......................306 (CTC)
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......28/01/2017
Valid from ........... 14/01/2017
Stk .................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking upto .......17/02/2017
Valid from ........... 11/02/2017
Stk .................................306
Timing........9.00 to 11.00 a.m

**R & H INDANE**
Booking upto .......13/01/2017
Valid from ........... 12/12/2016
Stk .................................612
Timing........8.00 to 11.00 a.m

**BASHIKHONG INDANE**
Booking upto .......22/02/2017
Valid from ........... 02/02/2017
Stk .................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......02/01/2017
Valid from ........... 23/12/2016
Stk ........................306 DBTL
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**MM GAS**
Booking upto .......21/01/2017
Valid from ........... 13/01/2017
Stk ......................612 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.30 a.m

**IMPHAL LPG**
Booking upto .......13/02/2017
Valid from ........... 14/01/2017
Stk .................................450
Sl. No. Upto 53300
First Come Fist Serve

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking upto .......02/01/2017
Valid from ........... 04/12/2017
Stk .................................306
Timing........7.00 to 10.30 a.m

**KHORIPHABA GAS, NAMBOL**
Booking upto .......22/12/2016
Valid from ........... 21/12/2016
Sl. No. 4806
Stk ........................306 (CTC)
Timing........7.00 to 09.30 a.m


# মতম হেল্লবা ভিসা পায়বা পাকিস্তান মচা ৩৬,৩১০ ইন্দিয়াদা লৈরি



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৬ঃ*

তোঙান-তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা ইন্দিয়াদা ইং ২০১৪দগী ইং ২০১৫ ফাওবদা মতম হেল্লবা ভিসা পায়বা পাকিস্তান মচা কয়া ইন্দিয়াদা লৈরি হায়না ঙসি রাজ্য সভাদা লৈঙাক্না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা ইশু তৌখিবা ভিসাশিংগী মনুংদা চাদ ২৮দি মতম হেল্লবশিংনি। মতম হেল্লবা ভিসা পায়বা মীওই কয়া ইন্দিয়াদা লৈরি। হৌখিবা চহী অনীগী মতম অসিদা পাকিস্তান মচা ৪৮,৫১০ ইন্দিয়াদা লৈরমখি। মদুগী মনুংদা চাদ ২৫ ইং ২০১৫গী অরোইবা ফাওবদা পাকিস্তানদা হল্লহনখ্রে।

মদুতা নত্তনা ঙসি ফাওবদা পাকিস্তান মচা ৩৬,৩১০ মতম হেল্লবা ভিসা পায়দুনা লৈবাক অসিদা লৈরি হায়না হোম মিনিষ্টর (ষ্টেট) কিরেন রিজিজুনা ঙসি রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ইং ২০১৪দা পাকিস্তান মচা ৯৪,৯৯৩দা ভিসা পীখি। ইং ২০১৫দগী ভিসা পীবগী চাং অদু হন্থদুনা মীওই ৭৭,৫৪৩দা ভিসা পীখি। মদুতা নত্তনা বঙ্গলাদেশতগী ভিসা পায়দনা চংশিল্লকপা কয়াসু লৈরি। ইং ২০১৪দা বঙ্গলাদেশতগী ভিসা পায়দনা মীওই ৬,৫২,৯১৯ লাকখি হায়বগী রেকোর্দ লৈ।

মদু ইং ২০১৫দদি হন্থরক্তুনা মীওই ৭,৫১,০৪৪দা লৈখ্রে। বঙ্গলাদেশ মচা ২০,৮৭০ মতম হেল্লবা ফাওবদা ইন্দিয়াদা লৈরি। ইং ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১দা বঙ্গলাদেশ মচা ৮৩৮৭ হলহনখিবা লৈখ্রে।

রিজিজুনা হায়, ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংনা লৈবাক অসিদা লৈবা ফোরেন্নরশিং খঙদোক্লবা অকনবা থবক পায়খৎলি। খুদোংচাদবা অমা ওইনা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী ভিসাগী মতম অমদি মখোয়না লৈবাক অসিদা লৈবা য়াবগী চপ চাবা মতম খঙদোকপা হায়বদা অরুবা ফিভম অমা মায়োক্নরি।

ফোরেন্নরশিং ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মতম হেল্লবা ভিসা পায়বশিংদা মখোয়না মতম হেন্না লৈরম্বগী অহেনবা শেনফম থিহন্নবা থবকসু পায়খৎলি। ফোরেন্নর এক্টকী মখাদা আইনগী ওইবা থবক কয়াসু পায়খৎলি হায়খি।

# স্পেন পুলিসনা কোকাইন কে জি ৫০০ ফারে

*মার্দ্দি, এপ্রিল ৬ঃ*

স্পেনিস পুলিসনা চেক শাফম অমদা লোৎশিন্দুনা থন্নম্বা টন তঙ্খাই অমরোম লুম্বা কোকাইন ফারে হায়না য়ুমশংকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৈবাক শীন-থুংনা রেইদ চখবদা মীওই ২৫ ফারে।

চহী ২ চুপ্পা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চখরকখ্রবা মতুং মমাঙ থাদা ওথোরিটিনা দ্রগ চাওনা পৈশিন্দুনা থন্নম্বা চেক্কোন অদুগা মরী লৈনবা মীওই কয়া ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেক্কোন অদুদগী পুথোকপা মৈ ইক্লবা চেকশিং অদুগী মনুং হাংহন্দুনা দ্রগশিং অদু পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নরম্বনি হায়রি। দ্রগ লল্লোনবা খুৎপু অদু কলম্বীয়া, মেক্সিকো অমসুং স্পেনদা লৈবা মীওইশিংনা চল্লাইরম্বনি হায়বসু খঙবা ঙমখি হায়রি।

# রুসিয়াদা পুলিস হাৎখিবা চিঙনবা মীওই মরী হাৎখ্রে

*মোস্কো, এপ্রিল ৬ঃ*

রুসিয়াগী খা থঙবা সহর অষ্ট্রাখনদা ইস্লামিষ্টকা মরী লৈনবা এটেক্ট অমদা ত্রাফিক পুলিস অনি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতুং লৈবাক অদুগী লো এনফোর্সমেন্ট ওফিসারশিংনা চিংনবা মীওই ৪ হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা হায়রি।

রুসিয়াগী ইন্টিরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অমগী মতুং ইন্না চীংনবা মীওই ৪ অদুগী মনুংদা অহানবদু নোংমৈ কাপ্পবদা শীখিবনি। অদুগা লেমহৌবা ৩ অদুনা নোংমৈনা পাল্লবা মতুং লৈখিদবনি হায়রি।

হাৎনা শুনবগী থৌদোক অসি রুসিয়াগী সেন্ট পিটর্বর্গ মেত্রোদা বোম্বিং তৌখিবা অদুগী মতুং থোরকপা থৌদোক অমনি হায়রি।

# ইস্লামিক ষ্টেটনা সিরিয়াদা মীওই ৩৩ হাৎখ্রে

*বৈরুৎ, এপ্রিল ৬ঃ*

ইরাক্কা তাইনবা সিরিয়াগী নোংপোক থংবা ঙমখৈগী শরুক্তা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা নহা ওইরিবা মীওই ৩৩ হাৎখ্রে হায়না সিরিয়ান এক্টিবিষ্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়, চহী ১৮দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা ওইরিবা মীওই ৩৩ দেয়র ইল জোর প্রোভিন্সকী ময়াদিন সহর মনাক্তা আই এস মিলিটেন্টশিংনা মঙক লেনথৎতুনা হাৎলম্লে।

হাৎলম্লবা মীওইশিং অদু সিরিয়াগী লান্মীশিংলা নত্রগা রিবেলশিংলা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। ওপোজিসন এক্টিবিষ্ট ওমর আবু লাইলা কৌবা দেয়র ইল জোরদগী হৌরকখিবা অদুগা হৌজিক্লা য়ুরোপ্তা লৈরিবা লুচিংবা অদুনা মীওই কয়া হাৎখ্রে হায়বগী পাউ অদু ফোঙদোরকখি।

আই এসনা চৎলিবা চহী অসিদা সিরিয়াদা চপ মান্নবা মওংদা মীওই কয়া হাৎখ্রে। মখোয়না সিরিয়াগী য়েলহৌঙেদগী লৈরক্লবা পালমেরা সহর খুদুম চন্দুনা লৈরিবনি।

আই এসনা মীওইশিং অদু মীয়াম মমাঙদা মঙক লেনথৎতুনা হাৎখি। অদুগা হকচাংশিং অদু মীয়াম উগদবা মফমশিংদা য়ান্দুনা থমখি হায়রি।

# মথংগী চহী ২০দদি ইন্দিয়াদা দাইবেটিষ্টনা নাবা মীওই মিল্লিয়ন ১২০ লৈরগনি ঃ আই আই পি ঐচ

*হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ৬ঃ*

ইন্দিয়াদা হৌজিক দাইবেটিষ্টনা নাবা মীওই মিল্লিয়ন ৭০ লৈরি। মথংগী চহী ২০দদি লৈবাক অসিনা লায়না অদুনা নাবা মীওই মিল্লিয়ন ১২০ লৈরগনি হায়না ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক হেল্থ (আই আই পি ঐচ) না ফোঙদোরক্লি।



লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী ওইনা দাইবেটিষ্টনা নাবগী অনৌবা কেস লিশিং ২৫ থেংনরি। মদু চাংচৎ ওইনা পাবা অমনি হায়না আই আই পি ঐচ হায়দ্রবাদকী দাইরেক্টর জি ভি এস মুর্থিনা ঙসি ৱার্ল্ড হেল্থ দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মীশিং য়াম্বদা মালেমগী ওইনা অনীশুবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইনিদয়াদা দাইবেটিষ্টনা মীওই মিল্লিয়ন ৭০ নাহল্লি। মদু মালেমগী ওইনা য়েংবদা অনীশুবা থাক্তা লৈ। মদুগী মথংদা চাইনাদা মীওই মিল্লিয়ন ১১০ লায়না অদুনা শোকহল্লি।

মথংগী চহী ২০দদি ইন্দিয়াদা দাইবেটিষ্টনা নাহনবা মীগী মশিং মিল্লিয়ন ১২০ য়ৌরগনি। লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অহল ওইরবা মীওইশিং শীখিবগী চাদ ৫০দি লায়না অদুগা মরী লৈনৈ।

লায়না অদুনা নারবা মীওইশিং লায়কন্ননবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী ইমুং অমনা চৌরাক্লা লুপা লিশিং ২৫দি চহী অমদা চাদিং তৌরি। লায়বক থিবদি অদুগুম্বা মীওইশিং অদু হেল্থ ইন্সুরেন্সশিং য়াওরম্বা লৈতে। ইং ২০১৭কী ৱার্ল্ড হেল্থ দেগী থিম দিপ্রেসন হায়বসিদা থল্লি।

চহী খুদিংগী ওইনা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মখাদা এপ্রিল ৭পু ৱার্ল্ড হেল্থ দে হায়না পালন তৌরি। দাইবেটিষ্ট লায়না লৈবনা মরম ওইরগা নিংথিনা লায়েংদ্রবদি মীওই অদু দিপ্রেসনা নাহল্লকপা য়াই। দাইবেটিষ্ট নারবা অনাবশিং পুন্সি চুপ্পা হিদাক শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

মদুদা নত্তনা হকচাংগী মরু ওইবা ওর্গান মীৎ অমসুং কিদনিনচিংবদা শোকহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা কাউন্সিলিং পীবা তঙাইফদে। আই আই পি ঐচগী দাইরেক্টরনা হায়, ইন্দিয়াদা যোগ শান্নবগী মথৌ তারে। মেদিটেসন অমসুং পুন্সি মহিং হোংদোকপনা দাইবেটিস লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী নন কম্ম্যুনিকেবল দিজিস প্রোগ্রামগী মনুংদা দাইবেটিষ্টসু য়াওহনগদবনি হায়রি।

# ইন্দিয়া শেঙ্গা-থুমজা তৌবা লৈবাক ৪১গী মনুংদা ৯শুবদা লৈরি

*মুম্বাই, এপ্রিল ৬ঃ*

মালেমগী ওইনা শেঙ্গা-থুমজাগী চৎনবী লৈবা লৈবাক ৪১গী মনুংদা ইন্দিয়ানা ৯শুবা থাক্তা লৈরে হায়না থিজিনবা কাংবু অমনা ফোঙদোরক্লি। শেঙ্গা থুমজা তৌবা লৈবাকশিং অদুগী মনুংদা চাদ ৭৮তি কা হেন্না শেঙ্গা-থুমজা তৌবনি হায়না খঙদোক্লে।



পাউ অসিগী মতুং ইন্না য়ুরোপ, মিদল ইষ্ট, ইন্দিয়া অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা চাওনা শেঙ্গা থুমজা চখবগী পাউ লৈ হায়রি।

য়ুক্রেন, সাইপ্রস, গ্রিস, স্লোভানিয়া, ক্রোএসিয়া, কেনিয়া, সাউথ অফ্রিকা অমসুং হঙ্গেরিগী মথংদা খ্বাইদগী হেন্না শেঙ্গা-থুমজা তৌবদা ইন্দিয়া লৈরি।

ইং ২০১৫দা চখখিবা সর্ভে অদুগী মতুং ইন্নদি ইন্দিয়া ৯শুবা থাক্তা লৈ। ইন্দিয়াদা নমথাক তৌবা অমসুং শেঙ্গা-থুমজা তৌবগী ৱাথোক কয়া থোক্লি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক মনুংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক কয়াসু চখরি।

থবক তৌফমদা কা হেন্না শেঙ্গা-থুমজা তৌবগী ফিভমসু থেংনরি। ইনফোর্মেনগী থবক থৌরমশিং ফগৎহনবগা লোয়ননা অমুক হন্না শাফবা ফিভম অমদা লাকহনবা য়াবগী থাজবা থল্লি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা থবক তৌরিবা মীওই চাদ ৪১না নিয়মগী ৱাংমদা থবক তৌননবা হোৎনরি। অদুগা চাদ ১৩না মখোয়মশাগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পানদমদা লান্না পাউ পীথোক পীশিন তৌবগী থবক চৌখে হায়রি।

# বে ওফ বেঙ্গলগী কাকিনাদা মীওই ৩ ঈরাক্লদুনা শীখ্রে

*অমরাভটি, এপ্রিল ৬ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইষ্ট গোদাবরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কাকিনাদা সহরগী সমুদ্র খোঙবানদা মহৈরোই ৩ ঈরাক্লদুনা শীখ্রে। অদুগা অনীনা সমুদ্রগী ঈথকনা হুমদুনা পুরন্নগনি হায়বগী মীপায়বা লৈরে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সমুদ্র খোঙবান অদুদা মহৈরোই ৮ ঈরোইদুনা শান্নরিঙৈদা ঈথকনা মহৈরোইশিং অদু চেন্দুনা পুখিবনি হায়রি। পুলিসনা মহৈরোই ৩গী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। মখা তানা থিবা খঙদনা লৈরিবা মহৈরোই ২ ফংননবা হোৎনরি।

সুমদ্রগী ঈথক লাকপা মতম অদুদা মহৈরোই ৩দি ঈরোইদুনা নান্থোকহৌখি। লৈখিদ্রবা মহৈরোইশিং অদু কাপুলা পালেনিদগী লাকখিবশিংনি হায়রি।

দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর এন চিনারজাপানা মহৈরোইশিং লৈখিদবা থৌদোক অদুদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ইষ্ট গোদবরি দিষ্ট্রিক্টকী এস পিদা লুচিংবা অদুনা ফোন তৌদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

# লৈবাক অসিগী খুঙ্গং ১৩,০০০দা মৈ ফংহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৬ঃ*

লৈবাক অসিগী মৈ ফংদনা লৈরম্বা খুঙ্গং ১৮,৪৫২গী মনুংদা খুঙ্গং ১৩,০০০ মৈ ফংহনবা ঙমখ্রে। মদু লৈঙাক অসিগী অচৌবা চাওখৎ খোঙথাং অমনি হায়না পৱার মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হান্ননা মৈ ফংলমদবা খুঙ্গং ১৮,৪৫২গী মনুংদা খুঙ্গং ১৩,০০০ মৈ ঙালহনবা ঙমখ্রে। রুরেল ইলেক্ট্রিফিকেসন কোর্পোরেসনগী দেটা মতুং ইন্না মৈ ফংদনা লৈরম্বা খুঙ্গং ১৩,০০০ অনৌবা লৈঙাক অসিনা মৈ ফংহনখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না এপ্রিল ৬ ফাওবদা দিন দয়াল উপদ্যায় গ্রাম জেয়োতি য়োজনাগী মখাদা খুঙ্গং ১৩,১৭৪দা মৈ ঙালহনবা ঙমখ্রে। লৈঙাক অসিনা ইং ২০১৮গী মে ১ ফাওবদা মৈ পীবা ঙমদনা লৈরিবা খুঙ্গং ৪,৪৪১দা মৈ ঙালহন্নবা থৌশিল পায়খৎকনি হায়রি।



মৈ পীনবগী চপ চাবা থবক তৌরিবা নোদেল এজেন্সি জেয়োতি য়োজনানা মৈ ফংদনা লৈরিবা লেমহৌরিবা খুঙ্গংশিংদা মৈ পীনবগী থবক মখা তানা পায়খৎকনি হায়রি।

খুঙ্গংগী লমশিংদা মৈ ফংহন্নবা অখন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। মশিং য়ামদবা মীওইশিং লৈবা খুঙ্গংশিংদসু মৈ ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। মৈ পীনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চংবা সব ত্রান্সমিসন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসনগী ফিভম ফগৎহন্নবা মখা তাবা থৌশিল কয়াসু পায়খৎলি।

মৈ লৌগদৌরিবা মীওইশিংনা মখোয়না শীজিন্নগদৌরিবা মৈগী চাং অদু খঙদোক্লবা মিটর হাপ্পনবগী থৌশিল কয়াসু পায়খৎলি। লৈবাক অসিগী খুঙ্গং কয়া হৌজিকসু মৈ ফংদনা লৈরি। ফিভম অদু য়েংলগা লৈবাক অসিনা অয়াম্বা খুঙ্গংশিংদা মৈ পীননবা অখন্নবা থৌশিল পায়খৎলক্লি হায়রি।

*সনা-সুদোকু- ৮২৬ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 1 | 5 | 8 | 6 | 2 | 7 | 3 | 4 |
| 8 | 6 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 9 | 5 |
| 3 | 4 | 7 | 5 | 1 | 9 | 6 | 8 | 2 |
| 7 | 8 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 | 2 | 6 |
| 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 8 | 3 | 1 | 7 |
| 2 | 3 | 1 | 6 | 5 | 7 | 8 | 4 | 9 |
| 6 | 2 | 3 | 1 | 9 | 5 | 4 | 7 | 8 |
| 1 | 7 | 9 | 4 | 8 | 6 | 2 | 5 | 3 |
| 4 | 5 | 8 | 7 | 2 | 3 | 9 | 6 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-827**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | | 2 | 7 | | |
| | 6 | | 3 | | | | 9 | |
| 3 | 4 | | | | | | 8 | 2 |
| | | 4 | 9 | 3 | | | | |
| | | | | 4 | | | | |
| | | 1 | 6 | | | 8 | | |
| 6 | | | 1 | | | | 7 | |
| | | | | | | | 5 | 3 |
| | | 8 | 7 | | 3 | | | 1 |